লম্বী তৌখায়বদা শীজিন্নখিবা জে সী বি থাদোরকউ হায়না মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চথখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা সলুংফমদগী ৱাংজিং তাবা লম্বী মতম শাংনা মরী লৈনবশিংনা শেমজিনবীদবগী খোইশাওনরবা মীয়ামনা ঙরাং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লম্বী তৌখায়বদা শীজিন্নরুবা জে সী বি ঙরাং নুংথিল পুলিসনা ফাজিনখিবা অদু অথুবা মতমদা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপীয়ু হায়দুনা ঙসি সলুংফম ময়ায় লৈকায়গী মীপূনশঙদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা ঙরাংগী থৌদোক অদুদা পুলিসনা চথখিবা এক্সনশিং অদুবু য়াম্না কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্লুখ্রে।

য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (য়ু সী ও) সলুংফমগী মায়কৈদগী ঙরাং পুলিসনা জে সী বি ফাবা লাকপদা মীয়ামগা উংখৎনরকপদগী পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল মশীং খঙদনা কাপখি। সলুংফম মনীং লৈকায়গী য়ুম অহুমগী থোঙ-থোঙনাওশিং পুলিসনা কাওখায়বদা অকায় অতোয় নংখি অদুগা পুলিসকী এক্সন অদুদা সলুংফম ময়ায় লৈকায়দগী মীওই ৩ অশোক অপন নংখি হায়রি।

শোক্লবা মীওই অহুম অদুদি সরাংথেম নাওবা (৩৩) অপোকপা ইঙোবী, নিংথৌজম সোবিতা (৪৫) মপুরোয়বা গোপেন অমসুং সরাংথেম আশাকুমার (৩৪) অপোকপা নোকুলনি। পুলিসনা কাওখায়বদা থোঙ-থোঙনাও তেক্লবা য়ুমশিং অদুনা লাইশ্রম জিতেন, লাইশ্রম সোনামনি অমসুং চোংথাম অমুগীনি হায়রি।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না- মীরক্তা টিয়র গ্যাস কাপ্পা য়ানীংদে, পুলিসনা মৈরা পায়বী ফুবা য়ানীংদে, জে সী বি ফাজিনবা য়ানীংদে হায়বনচিংবা প্লেকার্দশিংদা থাদুনা পায়নখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী মৈরা পায়বী নিংথৌজম ইবেমহলনা হায়, ঙরাং সলুংফমগী নুপা-নুপী মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজং অদু লম্বী শেম্বীয়ু হায়বগীনি, লম্বী অসিদা অশোন-অনা কয়া চৎপা ঙম্মদ্রে, মরী লৈনবশিংদা হন্না হন্না ৱাকৎলবসু তাবীদবদগী মীয়াম্না পেন্দবা হেল্লত্তুনা লম্বী তৌখায়খিবনি, খুৎনা তৌখায়বদি ঙমদবনা জে সী বি শীজিন্নরগা তৌখায়খিবনি। জে সী বি অদুসু মপুনদি য়াজদবনি, মীয়াম্না নমদুনা পুরকপনি, ঐখোয়গী ৱাকৎতি লম্বী নিংথিনা শেম্বীয়ু হায়বনি, মীয়ামগী খোঙজং অদু লৈঙাক্কী মপি-মপা ওইরিবশিংদনি, অতম্নবা কনা অমত্তগী মায়োক্তা চথখিবা খোঙজং নত্তে, পুলিসনা ফাজিনখিবা জে সী বি অদু অথুবা মতমদা কন্দিসন অমত্তা থমদনা থাদোকপীয়ু, পুলিসকী এক্সনদা শোক্লবা মীওইশিং লৈঙাক্না লায়েংবীয়ু অমদি থোঙ-থোঙনাও তেকখিবশিং লৈঙাক্না শেমজিনবীয়ু, মীয়ামগী ৱাকৎশিং অসি তাবীদ্রিবমখৈ সলুংফম মীয়ামগী খোঙজং হল্লোই, লম্বী নুংতিগী তৌখায়গনি, লমদম অসিগী মপি-মপা ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরনসু হীরম অসিদা মীৎয়েং চঙবীদুনা সলুংফমগী মীয়াম অফবা লম্বীদা চৎপা ফংহনবীয়ু হায়খি।

লৈবাক মীয়ামগীদমক খনবা পার্টিদি কোঙ্গ্রেস পার্টি খক্তনি : এম পৃথিবীরাজ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): অনিংবা অপাম্বা নিংতম্না ফোঙদোকপা য়াবা, চৎনিংবা রিলিজন চৎপা য়াহনবা অমদি চানিংবা চিঞ্জাক চাজবা য়াবা হায়বসি ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসননা পীবা রাইট অসি লৈবাক অসিদা বি জে পি লৈঙাক লাকখিবদগী মাঙশিল্লক্লে। ইন্দিয়াগী অমদি লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক খনবা পার্টিদি কোঙ্গ্রেস পার্টি খক্তনি হায়না মোইরাং এ সীগী হান্নগী এম এল এ এম. পৃথবিরাজনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি লাক্কদৌরিবা নবেম্বর ৭ পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখলগীদমক লিলোং খোংদা লৈবা মীয়াম্না ক্রোর মৌরুবী হায়না খঙনবা মৌলানা রিয়াজুদ্দিনগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা লিলোং এ সীদা কোঙ্গ্রেসকী মীরেপ ওইরিবা এম দি অজিজুলহাকি খানগী পব্লিক মীটিং অমদা ফোঙদোকখিবনি। পব্লিক মিটিং অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, লৈবাক অসিগী চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎনবা হোৎনবগী মহুৎতা বি জে পিনা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা খুৎ থিংজিনবা, অমগা-অমগা নুংশিহন্দনবা অমদি ইন্দিয়া অসি হিন্দু খক্কী ওইগদবনি হায়বা ৱাখল্লোল লৈরিবা পার্টি অসি মখা তানা শৌগৎফম থোক্তে হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ক্ষেত্রিগাউ এ সীগী হান্নগী এম এল এ অদুগা এম পি সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা এম দি. অমিন শাহনা হায়খি লিলোং এ সী অসিদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎলদুনা লম্বী-থোং কয়া শেম্লি হায়না মীদিয়াগী থোংদা তাখি। অদুবু চহী কয়াগী মমাংদা লৈখিবা লম্বী-থোং অদুমক হোংদনা লৈরি। অসিগুম্বা ফীভম চাদ্রবা লম্বী-থোংশিং অসিগী ফীভম য়েংলগা মীয়াম্না কনাদা ভোৎ পীগদগে হায়বদু মীয়াম্না ৱাখল খন্নবগী মতম অদু ওইরবনি হায়না ফোঙদোকখি।

লিলোং এ সীগী মরক্কী মীখলদা কোঙ্গ্রেসকী মীহুৎ ওইরিবা এম দি অজিজুলনা ফোঙদোকখিবদা ভোৎ কাপ্পবা মতুংদা মীয়ামগা কম্ম্যুনিকেসন গেপ লৈনখিবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না পেন্দবা হেল্লক্লিবনি। অদুবু অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা তানা থোক্তনবা মায়পাক্লবসু মীয়ামগা করিগুম্বা মখল অমত্তগী গেপ লৈতনা মীয়ামগা পূন্না চৎমিন্নগনি হায়বা ৱাফম থমখি। ঙসিগী মিটিং অদুদা এম পি সী সীগী এম দি শিরাজুদ্দিন, দল্লিয়ু রাতা, এস গোপে, খাদিজান, এম দি লিয়াকট অমদি অলহজ হস্ননা প্রেসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

রিমসতা ভিজিলেন্স এৱ্যের্নেস ৱীক পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা মেদিকেল ইন্সটিট্যুটশিংগী মনুংদা অমা ওইবদা নত্তনা অচৌবা লায়েংশঙ অমসু ওইরিবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা ঙসি ভিজিলেন্স এৱ্যের্নেস ৱীক ২০২০ পাঙথোকখ্রে।

ইন্সটিট্যুট অসিগী মীদিয়া এদভাইজর এন ফিলিপনা থোরকখিবা চেরোল অমদা ঙসিগী থৌরম অসিদা ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা থৌরমসিদা শরুক য়াখিবা ফেকলটি মেম্বরশিং, এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং নর্সিং ওফিসলশিং অমদি ষ্টাফশিংদা ইর্ন্টিগ্রিটিগী ৱাশক লৌহনখি।

রিমসকী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক মমাঙদা পাঙথোকখিবা ৱীক অসিগী থৌরমদা করপসননা ইকোনোমিক, পোলিটিকেল অমসুং লৈবাক অসিগী সোসল প্রোগ্রামদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি হায়বগা লোয়ননা পূন্না থবক তৌমিন্নদুনা করপসন মুখৎনবা হোৎনগদবনি হায়খি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা ভিজিলেন্স ওফিসর প্রোফেসর ঐচ প্রিয়োশখি, দিন (একাদেমিক) গী প্রোফেসর ব্রোগেন অকোইজম, দেপ্যুটি দিরেক্টর কাইকম দোঙেল, চীফ একাউন্ট ওফিসর ঈ দেবেন্দ্রো মৈতৈ য়াওনা মেদিকেল, দেন্টেল অমসুং নর্সিং কোলেজগী ফেকলটি মেম্বরশিং অমসুং ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

এপ্লিকেসন ফোর্ম পীবগী মতম শাংদোক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি সী ঐচ বিরেননা ঙরাং থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না কাউন্সিলদা এফিলিএট তৌবা ইন্সটিট্যুসন পূম্নমক্কী চৎলিবা একাদেমিক সেসন- ২০২০-২০২১গী ওইনা ক্লাস এলেভেন অমসুং ত্বেলভতা মীং চন্নবগীদমক ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট লৌনবগী নমথোক্লবা এপ্লিকেসন ফোর্ম পীবগী মতম হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসিনা মরম ওইরদুনা মথং থাগী ৭ ফাওবা শাংদোক্লে হায়রি।

নোটিফিকেসন অসিনা মখা তানা হায়বদা ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট লৌনবগীদমক মেনশিল্লবা এপ্লিকেসন ফোর্মশিং অমসুং মসিগী মথৌ তাবা ফী অমদি দোক্যুমেন্টশিংগা লোয়নবশিং কাউন্সিলনা মথং থাগী ১০ ফাওবগী মনুংদা লৌশিনগনি হায়রি। অদুম ওইনমক ফীগী চাংদি অহোংবা লৈরোই হায়রি।

পনবা য়াবদি, ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট অসিগী মতাংদা কাউন্সিলনা থা অসিগী ১৬তা নোটিফিকেসন অমা থোকখিবা লৈখ্রবনি।

লায়ন্স ক্লবনা ফেস মাস্ক অমসুং সেনিটাইজরশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচএন এস): কোভিদ-১৯ পেন্দমিক লাম্হেংনবগীদমক চথরকপা থবক্তা ঙসি লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা ভোভিনাম এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী ওফিসলশিং অমসুং শান্নরোয়শিংদা ফেস মাস্ক, সাপোন অমসুং সেনিটাইজরশিং য়েন্থোকখ্রে।

ঙসি খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকখিবনি। মসিদা ক্লব অসিগী লায়ন আই গোজেন্দ্র (প্রসিদেন্ট) না লুচিংলগা এল শ্বামিকান্ত (সেক্রেটরি), ডা. দল্লিয়ু গোপিমোহোন, পি এম জে এফ, ভাইস দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর, দিষ্ট্রিক্ট ৩২২ দিনা শরুক য়াখি হায়রি।

থৌরম অদুদা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবদা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফালনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ভোলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্পশিংদা ভোভিনাম এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মেম্বরশিংনা ঈ পীখিবা অদুগী থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা ঙসিগী পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট ভাইস গভর্ণর ডা.দল্লিয়ু গোপিমোহোন্না ফোঙদোকখিবদা খুৎ-শা হামদোকপা অমসুং মাস্ক উপ্পদগী খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা প্রোটোকোলদি সোসল দিষ্টেন্সিংনি হায়খি।

এম এ ফর্ষ্ট সেমিষ্টরদা মীং চনবগী মতম শাংদোক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিস্টেন্ট রেজিষ্ট্রার (একাদেমি) এস বুধবতিনা থা অসিগী ২৬তা থোকখিবা এদমিসন নোটিশ অমগী মতুংইন্না মহৈকোল অসিদা এম এ (সাউথ ইষ্ট এসিয়ন ষ্টদিজ) গী একাদেমিক সেসন ২০২০-২০২১গী ফর্ষ্ট সেমিষ্টরদা মীং চন্নবগীদমক এপ্লিকেসন ফোর্ম পীশিনবগী মতম মথং থাগী ১০গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা শাংদোক্লে হায়রি। নোটিশ অসি এদমিসন অসিগা মরী লৈননা মমাঙ থাগী ৩০দা থোকখিবা এদমিসন নোটিশ নম্বর ৩৪৭কী মখা তাবা নোটিশনি হায়রি।

বাই ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা এ সী ৪দা পাক শন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরক্লবদি চীফ মিনিষ্টরনা থৌদাং পুগদবনি : নুপী মরুপ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): মথং থাগী ৭তা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা লিলোং, ৱাংজিং তেন্থা, ৱাঙ্গৈাই অমদি সাইতু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি মরিগী মরক্কী মীখলগা মরী লৈননা বি জে পিগী মীরেপশিং অমদি পার্টি অসিনা শৌগৎপা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ মায় পাকহন্নবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং মহাক্কী মিনিষ্টরশিংনা চঙশিল্লিবা কেম্প্যেনশিংদা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা পীরকখিবা এস ও পিশিং ৱাহন্থোক লৈতবগুম উবা ফংলিবা অসি য়াম্নমক মীপাইনিংঙাইনি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এম সুমতিবলানা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা নারবা মশীং হেনগৎলকপদা মীয়ামবু এস ও পি ঙাক্তবা, ফেস মাস্ক শীজিন্নদবা, লাই খুরুম্বদা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবদগীনি হায়দুনা অকনবা ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা মীয়ামদা মরাল থংজিনবা লৈখি। অদুবু হৌখিবা জুলাই থাদগী হৌরগা চৎলিবা থা অসিগী লোইরমদাইসিদা তমথীরবা লাইচৎ অসিদগী শিখিবা মীওইশিংগী মশীং ১৫০ য়ৌরকখিবগী মথক্তা মীওই লিশীং ১৭ লোম পোজিটিভ ওইরক্লে। ফীভমসিদা মীয়াম্না মীপাইবা পোক্লরিঙৈ চৈরক্তা ষ্টেট অসিগী হেল্থকী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টরনা পারর মীহৌবা হেনবদগী মহাক্কী মীখলগী কেম্প্যেনদা শরুক য়ারিবশিংদা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লবা অচেৎপা পাউতাক পীদ্রগা মীখলসিদা অকনবা লম্বা ওইরিবা কোংগ্রেস পার্টিদা হুন্দুনা ঙাঙ-শক্লিবসি নীংবা কাইনিংঙাইনি হায়রি।

অসিগুম্লবা লৈঙাকলোন মমুৎ তানা খঙদবা অমসুং শক্তিখক্তা মীহৌবা মীওই অমনা চীফ মিনিষ্টর ওইবদগী মণিপুরদা কোভিদ-১৯না নারবা অমদি শিখিবা মীওইশিংগী মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলকপনি হায়রি।

মরম অসিনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি মরিগী মরক্কী মীখলদা এ সীশিং অসিদা পাক শন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরক্লবদি মসিগী থৌদাং পূম্বা চীফ মিনিষ্টরনা পুগদবনি হায়রি।

লৌশিং পুক্কৈ

চিকনপোক্স অমসুং হর্পিস জোষ্টরগী মরমদা খঙগদবশিং-১

চিকনপোক্স হায়বসি ভেরিসেলা-জোষ্টর কৌবা ভাইরস অমনা থোকহনবা লায়না লাইওং অমনি। লায়না অসিনা য়াম্না হাক্কচবা অমদি ঈশিং হানবা মখলগী ফুরিশিং থুংহল্লি। চিকনপোক্স অসি মমাঙদা লায়না অসি অমুক্তা নাখিদ্রিবা অমদি লায়না অসিগীদমক ভেক্সিন কাপ্তবা মীওইশিংদা য়াম্না লৌনগল্লি।

হর্পিস জোষ্টর নৎত্রগা শিঙ্গল্স হায়রিবা লায়না অসিসু চিকনপোক্স নাহল্লিবা ভেরিসেলা-জোষ্টর হায়রিবা ভাইরস অসিনা নাহনবনি। মীওই অমগী পুন্সিদা ইহান হানবা ওইনা ভাইরস অসিনা নাহনবদনা চিকনপোক্স ওইনা নাগনি। চিকনপোক্স নাবা অদু হেক ফখিবগা ভাইরস অসি হকচাংগী দোর্সেল রুট গঙ্গিলিয়াদা চঙলগা মহাক লৈরি হায়বগী খুদম অমত্তা উৎতনা য়াওদুনা লৈগনি। অসুম্না মথি ফোংদনা লোৎতুনা লৈখ্রবা ভেরিসেলা-জোষ্টর ভাইরস অসিনা কোন্না মতম অমদা অমুক হন্না রিএক্টিভেট তৌরক্তুনা হর্পিস জোষ্টর হায়রিবা লায়না অসি নাহল্লকই।

চিকনপোক্স নাবদগী ওইরকপা ফুরিশিং অসি ভাইরস অসিদা এক্সপোজ তৌরুরবা মতুং নুমিৎ ১০-১২গী মতুংদা উবা হৌরকই অমদি মসি নুমিৎ ৫ নিদগীনা ১০ নি ফাওবা লৈগল্লি। ফুরি থুংলক্ত্রিঙৈ মমাঙ নোংমা-নীনিগী মমাঙদগী থেংনবা য়াবা লাইওংশিংগী মনুংদা লাইহৌ, চানীং থক্লীংবা পোক্তবা, কোক চীকপা, চোকথবা অমদি হকচাং ঙমদবা মতমদা ফাওবা নুংঙাইতবা (মলেইজ) অদুসু থেংনবা য়াই।

ফুরিশিং অদু থোক্লকপা হৌরকপদগী ফেজ অহুম থেংনগনি। অহানবা ফেজদা পিঙ্ক মচু নৎত্রগা অঙাঙবা মচুগী অপোম্বশিং নুমিৎ কয়ামরুম লেপ্তুনা থোরকপা; অনীশুবদা ঈশিং হানবা অপোম্বা মচা-মচাশিং থোরকপা (মসি থোরক্লগা নোংমতং লৈরগা কায়রগা মহী অদু থোরকই); অহুমশুবদনা হম্বু কারক্তুনা কায়খিবা অপোম্বশিং অদুবু কুপশিল্লগা লৈবা (মদু ওইশিন্নবা হোৎনবদা নুমিৎ কয়ানিরোম চঙই) অসিনচিংবশিং অসিনি।

অপোম্বশিং নৌনা থোরকপগী থৌওং অদু নুমিৎ কয়ামরুম মখা চথদুনা লৈগনি, মরম অদুনা ষ্টেজ অহুম অসি মতম অমত্তদা লোইনমক পুন্না থেংনবা য়াই। ফুরিশিং অদু থোরক্ত্রিঙৈ পুঙ ৪৮গী মমাঙদগী ভাইরস অসি অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোকপা ঙম্লগনি অমদি অকায়বা ফুরিশিং অদু কংশিল্লক্তুনা হম্বু কাদ্রিবফাওবদি অতোপ্পা মীওইশিংদা শন্দোকপা ঙমই।

লায়না অসি মশা-মউ ফবা অঙাংশিংদদি নারবসু কয়া কন্না নাগন্দে। ফিভম লুনা নাবা অনাবদদি ফুরিশিং অদুনা হকচাং পূম্বা পুময়োম য়োমশিনবা য়াই অমদি খৌনাউ মনুং, মীৎ অমসুং য়ুরেথ্রা, অমাংথোং অমদি নুপীগী ফিনুংগী কয়াৎকী ম্যুকস মেম্ব্রেন্নচিংবদফাওবা ফুরি থোকপা য়াই।

হর্পিস জোষ্টর নাবগী অহানবা লাইওং উখোরকপা মতমদা চৈনাখোল অমদি শাবা ফাওগল্লি। অনাবা অদু হকচাংগী নাকল অমত্তংদা ওইগল্লি। মসিগী মথংদা অঙাংবা ফুরিশিং থোরকই।

ফুরিশিংগী ওইবা য়াবা মশকশিংদি: অঙাঙবা মপাক-মপাক, য়াম্না কায়গনবা ঈশিং হানবা অপোম্বশিং, অপোম্বশিং অদু য়াংলেন শরূ মপাদগী হৌরগা নঙ্গল, পুক অমসুং থবাক ফাওবা অমদি মায় অমসুং নাকোংদসু লৈবা অমদি হাক্কচবনচিংবা য়াওগনি।

মীওই খরদদি ফুরি থুংবা অসিগী মথক্তা লাইহৌ, নিংথম চনবা, কোক চীকপা, চোকথবা, মসল শোন্থবনচিংবসু থেংনবা য়াওই।

য়াম্না তাঙনদি থেংনবা হর্পিস জোষ্টরগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা কমপ্লিকেসনশিংদি: মীৎ য়াওনা নাবা নৎত্রগা ফুরি থুংবা (মসি থেংনরবদি মীৎ তাঙবগী খুদোংথীবা থোক্তনবা য়াম্না থুনা লায়েংথোক্কদবনি); তাবা ঙম্বগী পাঙ্গল মাঙলকপা নৎত্রগা নাকোং মনুংদা য়াম্না কন্না খংনা-খংনা নাবা, কোক ঙাওবা নৎত্রগা মহাও খঙদবা অমদি বেক্টেরিয়ল ইনফেক্সন অসিনচিংবা পনবা য়াই।

করিগুম্বা ইশা নৎত্রগা ইমুংগী মীওই অমা চিকনপোক্স নারে হায়না চিংনবা লৈরগদি দোক্টরদা য়েংথোক্কদবনি।

চিকনপোক্স অসি ফুরি থুংলিবা অদুদা শোক্লুবদগী শন্দোকপা ঙমই। অনাবা মীওই অদুনা হাকথী খনবা নৎত্রগা লোক খুবদা য়াওরকপা রেস্পিরেটরি দ্রোপলেটশিং অতোপ্পা মীওই অমনা নীংশা হোঞ্জিনবদা য়াওখিবদগীসু লায়না অসি শন্দোকপা ঙমই।

মমাঙদা চিকনপোক্স অমুক্তা নাখিদ্রিবা নৎত্রগা চিকনপোক্সকী ভেক্সিন কাপতবা মীওইশিং ভেরিসেলা-জোষ্টর ভাইরসনা ইনফেক্ট তৌবগী রিস্ক ৱাংই। মমাঙদা চিকনপোক্স নাখ্রবা নৎত্রগা ভেক্সিন কাপ্পা মীওই অয়াম্বা চিকনপোক্সনা নাহনবা ঙমদে। করিগুম্বা চিকনপোক্সকী ভেক্সিন কাপখ্রফাওবদা লায়না অসি নারক্লগদি য়াম্না অকনবা লাইওং লোয়নগন্দে, ফুরি থুংবগী চাং হন্থে অমদি লাইহৌ খজিক্তং তৌবা নৎত্রগা শুকতৌ তৌদবসু য়াই। চিকনপোক্স অসি কনাগুম্বা মীওই খরদদি অমুক্তগী হেন্না নাবা য়াই, অদুবু মদু য়াম্না তাঙনা থোকই।

চিকনপোক্স অসি মহৌশানা কয়া কন্না নাগন্দে। অদুবু য়াম্না কন্না নাবসু য়াই অমদি কমপ্লিকেসন কয়া থোকহল্লকপসু য়াই। কমপ্লিকেসনশিং অদুগী মনুংদা— উনশা, সোফ্ট টিস্যু, শরূ, তাং-তাং নৎত্রগা ঈগী ঈচেলগী বেক্টেরিয়ল ইনফেক্সনশিং; দিহাইদ্রেসন; ন্যুমোনিয়া; ব্রেনগী ইনফ্লেমেসন (ইন্সেফলাইটিস); টোক্সিক শোক সিন্দ্রোম; রেয়ে'স সিন্দ্রোম (চিকনপোক্স নারিঙৈদা এস্পিরিন শীজিন্নবা অঙাং নৎত্রগা ইনখৎলক্লিবা নহাশিংদা); অমদি শিবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

কিরনজিৎ মাইবম, নম্বোল কোংখাম মখা

মণিপুর লৈঙাক্না লমদম অসিবু চাওখৎনবগীদমক পায়খৎলক্লিবা থবকশিং অফবা খোঙথাংনি। লোয়ননা লোকদাউন তৌদুনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনরিবা অসিসু তৌদবা য়াদবা থবক অমনি। কোভিদ-১৯ মনুং ওইরবসু ষ্টেটকী শেনমিৎলোন কায়দনবা অমদি চাওখৎ খোঙথাং থিন্থদনবা হায়দুনা ঙসিসু অদুমক স্কিম কয়া অমদি থৌরাং-থৌশিল কয়া লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্লি। অদুবু মতাং অসিদা হায়জনিংবা ৱাফমদি লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক্তি হায়না শিনবিরিবা থবক থৌরমশিং অসি মীয়াম্না হকথেংননা ফংলিবরা নৎত্রগা ফংদ্রিবরা হায়বসিগী মতাংদসু খঙদোক্লনবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎপিদুনা থীগৎহন্নিংই। লোয়ননা কোভিদ-১৯গী ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা তঙাইফদনা লৈঙাক্না ইম্ফাল মনুং অমদি ষ্টেট অসিগী মীয়াম তিনবা মফমশিংদা খুৎ শা শেংনা হামদোক্লবগী খুদোংচাবা মফম অমদা শাবোন, হেন্দ সেনিটাইজর থমদুনা হেন্দ ৱাশিং ষ্টেসন অমমম থমহন্নিংই। ষ্টেসন অদুদা য়ারগদি মাস্কসু থমহন্নিংই। লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদা পোলিটিক্সকী খেন্নবা অমদি মীচঙ শঙ্ক লৈহন্দনবা অকনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। লায়রা-ইনাক খুনবা খায়দবা লান অসি থেংনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং লৈ হায়বসি কাউবিদবা ফৈ। শেল পায়বশিংসু থোকপিরক্লো, শুপ্পগী লৈঙাক খক্তা ঙাইদনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱারবা মীওইশিংদা মতেং পাংবগী মতম অদু ওইরে।

সদানন্দা নিংথৌজা, হৈরোক পার্ট - ২

লোকদাউন মনুংদসু পোৎচৈগী মমল তাংনা য়োল্লম্মী। লোকদাউন কোমথোক্লবা মতম অসিদসু অদুমক পোৎচৈগী মমল হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম মমল তাংনা য়োনখৎনরকপগী ফীভম অমদা লাক্লে। ৱারবা মতম অসিদা পোৎচেগৈী মমল খঙহেন হেনগৎলকপা অসিনা লায়রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদি খম থেংনা ৱাবা হায়বদু ওইরে। অৱাবা মতম অসিদদি শেল পায়বা মীওইশিংনা অঙম-অঙম্বা মতেং শোয়দনা পাংহন্নিংই। লোয়ননা কোভিদ-১৯বু লাকশিন্নবা হোৎনরিবা ফ্রন্ট লাইন ৱার্করশিংবুসু থাগৎতবা ঙমদে। ঙসিদি ফ্রন্ট লাইন ৱার্কর কয়াসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরে। অদুবু মখোয়গী হনবা লৈতবা থৌদাং অদুবুদি তশেংনা লৈবাক মীয়াম্না থাগৎতবা ঙমদে। লায়না অসি লাকশিন্নবগীদমক য়ুমদগী মপান থোক্কনু হায়রবসু হিংনবগীদমক তঙাইফদনা য়ুমদগী মপান থোক্লরবসু লৈবাক মীয়াম্না দল্লিয়ু ঐচ ও অমদি লৈঙাক্না পীরিবা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্না চৎপিয়ু। হৌজিক-হৌজিক ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱারবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংবু থীদোকপীদুনা মখোয়দা লৈঙাক্না মতেং খরদং ওইরবসু পাংবিরবদি লৈবাক মীয়ামগী অপেনবা হায়বদু ওইগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৯।১০।২০২০ ইং, শগোলশেল ; নংথিল পুং ৩.১৬
ফাওবা মেরাগী ১৩নি পাল্লি, মতুং ১৪নি পানগনি।

মেষ : হেন্না অশা চাওবা অমদি মীৱা থাজবা তৌগনু-মদুনা নরল মরম চাদনা মাঙগনি। লৌশিং তানশিনবদি মায় পাক্কনি অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল ৱাবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : মহু চাওবনা তাথিবা অমদি অরাপ্পগী মতেং লৌবা য়াদবা নুমিৎনি। হকচাংদি নুংঙাইবা, লৈঙাক্কী লম্‌দা মীকোক থোংবা অমদি শেন্দোং ফংবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন : অনিংবা থবক্তা শেল থাদবা য়াগনি অমদি অকিবা লৈতনা থৌনা লৈনা থৌ পাংবা ঙসিসু মায় পাক্কনি। হকচাং নুংঙাইবদি ৱাৎলি -অনম তানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কর্কট : হেন্না অশা চাওবনা নথক থোংবগা নুংশিনবা ৱাৎপা লৈগনি। নখা থাবগী মতেংনা কান্নবা ফংজৌ হায়বদি লৈ। মীনা থাগৎপীবগী নুংঙাহজবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাঙথোকপদা পকচৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

সিংহ : খুৎচাও থাবা য়াদে, মীতোপ্পা থবক্তা য়েংথিবা লৈ অমদি মীৱা লৌগনু। মীকোক থোংজৌ হায়বদি লৈ, হকচাংসু নুংঙাই, ৱাখল তামীন্নবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা তেংবাংবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

কন্যা : নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংগনি। লল্লোন ইতিক্তা থোইনা কান্নবা ফংগনি অমদি পন্দুনা লৈরম্বা শেল/মীচং ফাওবা ফংগনি। অনম তানবদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

তুলা : অঙম্বনা থীনা তৌবীবা য়াবা অমদি অরং অরাক মাঙবা য়াবা লৈবনা ৱাঙাঙ হৈবা ফৈ। লল্লোন ইতিক্তি মায় পাক্কনি অমদি লেংদবা লন চাওখৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

বৃশ্চিক : নথক থোংবনা চানবীদবা অমদি নীংবা মপা চাদবা লৈ-হেন্না খন্থরগা খুৎ থাবা ফগনি। লৌশিংনা লন তানশিনবা অমদি অরং অরাক ফংবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাঙথোকপদা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

ধনু : খল্লুদবা কান্নবা ময়াম ফংজগনি, মীয়ামগী মতেংনা অনিংবা অফবা থবক পাংবসু ঙমগনি অমদি লাই গুরুনা চানবীগনি। লৈঙাক্কী লম্‌দা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মকর : লল্লোন ইতিক্তা চাওনা শেন্দোং ফংগনি, হনবা লৈতনা হোৎনবা অমদি থৌনা ফুদোক্লা থৌ পাংবা য়াবা নুমিৎনি। ঙাঙ শকপদা মীনা থাগৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কুম্বা : থেংলপ্পা নরল চাওখৎপা অমদি অফবা লৌশিং ফংবা লৈ। অচুম্বনা মায় পাক্কনি অমদি খাংবা কনবনা মাঙবা য়াবদগী কনগনি । পূক্রিং লাংগনু-শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - থিজিনবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : ৱাখল নুংঙাইবা, মীচং ফংবা অমদি শেন্দোং চাওনা ফংবা নুমিৎনি। হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলসু পাউদি নুংঙাইবা তাবা ফংগনি। মীয়াম লোয়নবদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস পাঙথোক্লখ্রে

ককচীং, ওক্টোবর ২৮ (ঐচ এন এস): লিলোং পি ঐচ সীগী মীৎয়েং মখাদা পি ঐচ সী অসিগী ফিমেল হেল্থ সুপরভাইজর ওইনা থৌ পুরিবী লিলোং চজিংদগী সেল্ফ ফাইনান্সিং ৱাইরোকপম হেমাবতিনা শীন্দুনা ঙসি কোভিদ-১৯ লায়ওংগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহনবা এৱ্যের্নেসকী থৌরম অমা লিলোং কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে অমদি কৈথেলদা লৈরিবা মীয়ামদা মাস্ক য়েন্থোকখ্রে।

হেমাবতিনা ফোঙদোকখিবদা মীয়াম্না য়াম্না মীপাইনরিবা লায়ওং অসি ঙাকথোকপদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইনবা হায়দুনা অচঙবা শেনফম পূম্নমক পুথোকচদুনা মীয়ামদা মাস্ক য়েনবগা লোয়ননা এৱ্যের্নেস অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

অমরোমদা ঙরাং ফ্রেন্দসিপ স্পোর্টিং এসোসিএসন (এফ এস সী) ককচীং ফৌশুপাৎ লৈকায়না শীন্দুনা কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অমা ফৌশুপাৎ মান্দোপতা পাঙথোকখ্রে। এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা পি সনাহল, কাউন্সিল্লর ৱর্দ নম্বর ৪; পি বেবি ৱার্দ মেম্বর অমসুং পি ইনাওম্না প্রসিদেন্ট ফ্রেন্দসিপ স্পোর্টিং ক্লব, ককচীংনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা অর্বান প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর ককচীংগী এম ও ইন চার্জ ডো. পি রেবিননা ৱা ঙাঙখি।